# অন্দর-১৯ নেসনল স্কুল চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুরনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন তাখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ ঃ

থা অসিগী ২২ দগী ২৬ ফাওবা মধ্য প্রদেশকী কোনুং ভোপালদা দিরেক্টরেট ওফ পব্লিক ইনষ্টিট্যুশসন মধ্য প্রদেশনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা এস জি এফ আই ৬২ শুবা নেসনল স্কুল গেমস বোইজ এন্দ গার্লস অন্দর-১৯ রুশ্তু চেম্পিয়নশিপ ঙরাং লোইশিনখিবগা লোয়ননা মণিপুরনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

নুমিৎ মঙানি চুপ্পা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরনা পূন্না গোল্ড মেদল ৮, শিলভর মেদল ২ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ১ পূন্না মেদল ১১ ফংদুনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

নেসনল স্কুল গেমসকী রুশ্তু মশান্নদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয় ১৭ না শরুক য়াখি। এম বিমোলজিৎনা টিম কোচ অদুগা টি ঐচ বিনারানিনা টিম মেনেজর ওইনা লুচিংখিবা মণিপুর রুশ্তু টিম অদুনা নুপাগী কাঙলুপ্তা গোল্ড মেদল ৬, শিলভর মেদল ১ ফংবা ঙমখি। নুপীগী কাঙলুপ্তুনা গোল্ড মেদল ২, শিলভর মেদল ১ অদুগা ব্রোঞ্জ মেদল ১ ফংবা ঙমখি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংদি নুপাগী কেজি ৪৮ গী কাঙলুপ্তা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হাওবিজম রোমেস, কেজি ৫২ গী কাঙলুপ্তা ইম্ফাল ইষ্টতগী অথোকপম জেমস, কেজি ৫৬ কী কাঙলুপ্তা ইম্ফাল ইষ্টতগী মোইরাংথেম ইনর্জি, কেজি ৬০ গী কাঙলুপ্তা থৌবালদগী য়ূম্নাম থোইস্না, কেজি ৬৫ গী কাঙলুপ্তা বিষ্ণুপুরদগী এম মালেমঙানবা অমসুং কেজি ৭০ গী কাঙলুপ্তা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী নিংথৌখোংজম ললিটনি। শিলভর মেদল অদু কেজি ৪৪ গী কাঙলুপ্তা বিষ্ণুপুরদগী মোইরাংথেম সামসন্না ফংখি।

নুপীগী কাঙলুপ্তা গোল্ড মেদল অনী অদু কেজি ৫২ গী কাঙলুপ্তা থৌবালদগী নাওরেম রোমিতা অমদি কেজি ৫৬ কী কাঙলুপ্তা থৌবালদগী থোঙাম অরুনানা ফংখি। শিলভর মেদল অদু কেজি ৪৮ কী কাঙলুপ্তা ইম্ফাল ইষ্টতগী লৌশস্বম কলপনানা অদুগা ব্রোঞ্জ মেদল অদু কেজি ৬৫ কী কাঙলুপ্তা চান্দেলদগী ক্ষেত্রিময়ূম নাওবীনা ফংখি। লোয়ননা চেম্পিয়নশিপ অদুদা নুপাগী কেজি ৭৫ কী কাঙলুপ্তা থৌবালদগী য়েংখোম অলেকজেন্দর অমদি কেজি ৭৫ মথক্কী কাঙলুপ্তা থৌবালদগী অতোম রোমেসনা শরুক য়াখি।

নুপীগী কেজি ৪০ গী কাঙলুপ্তা বিষ্ণুপুরদগী মোইরাংথেম রাজলক্সমি, কেজি ৪৪ গী কাঙলুপ্তা ইম্ফাল ইষ্টতগী সোরেনশংবম চনচন, কেজি ৬০ গী কাঙলুপ্তা বিষ্ণুপুরদগী হাওবিজম কুঞ্জেশ্বরি অদুগা কেজি ৬৫ মথক্কী কাঙলুপ্তা লৈশাম প্রভেদিনা শরুক য়াখি।

# মরাদোনানা জুনিয়র মিষ্টর মণিপুর, সরিতানা নুপীগী, তেংবানবা নাওরেম্না নুপাগী ফিটনেসকী টাইটল লৌখ্রে



*জুনিয়র ওভর ওল টাইটল লৌখ্রবা দ জিমগী মরাদোনা (ওই) নুপীগী বোদি বিল্ডিংগী টাইটল লৌখ্রবী সরিতা (ময়ায়) নুপাগী ফিটনেসকী টাইটল লৌখ্রবা তেংবানবা*

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ ঃ ওল মণিপুর জিম্নাজিয়ম ৱেলফেয়র এসোসিএশন্না শিন্দুনা ঙরাংদগী পোরোম্পাৎ জেনিমসকী ওদিটোরিয়মদা চথরকখিবা ৫ শুবা, সেনিয়র, জুনিয়র, মাষ্টর, ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জ অমসুং ৩ শুবা ৱিমেন মিষ্টর মণিপুর খন্বা ষ্টেট লেভেল বোদি বিল্ডিং অমসুং অহানবা মেন ফিটনেস চেম্পিয়নশিপ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা দ জিম নাগামপালগী মরাদোনা ক্ষেত্রিময়ূম্না জুনিয়র ওভর ওলগী টাইটল লৌখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী নুপাগী জুনিয়র কেজি ৫৫ কী কাঙলুপ্তা ৱর্ল্ড জিমগী তুলসিদাসনা অহানবা, এল পি জিমগী এল রোবার্টসন্না অনীশুবা, বিষ্ণুপুর য়ুনাইটেদ জিমগী থোকচোম জেসপরনা অহুমশুবা তাখি।

জুনিয়র কেজি ৬০ গী কাঙলুপ্তা সুপর জিমগী তেংবানবা নাওরেম্না অহানবা পোজিসন তাখি। কেজি ৬৫কী কাঙলুপ্তা এন বি বি এফ ক্বাকৈথেলগী মাইবম জোনসন্না অহানবা পোজিসন তাখি। কেজি ৭০ গী কাঙলুপ্তা কে বি বি জিম তেরাগী লৈচোম্বম জমসন্না অহানবা পোজিসন তাখি। জুনিয়র কেজি ৭৫ কী কাঙলুপ্তা জোয়া ফিটনেসকী মাইবম চিনানা অহানবা পোজিসন তাখি। কেজি ৭৫ মথক্কী কাঙলুপ্তা দ জিমগী মরাদোনা ক্ষেত্রিময়ূম্না অহানবা পোজিসন তাখিবগা লোয়ননা মহাক্না জুনিয়র ওভর ওলগী টাইটলসু লৌখি।

নুপীগী বোদি বিল্ডিংদা রোয়েল ফিটনেস একাদেমিগী টি ঐচ সরিতানা অহানবা পোজিসন, এস বি বি এফ ক্বাকৈথেলগী থাংজম লৈমনা অনীশুবা অমদি রোয়েল ফিটনেস একাদেমিগী জমুনা চনুনা অহুমশুবা তাখি।

নুপাগী অহানবা ওইনা পাঙথোকপা ফিটনেসতা সুপর জিমগী তেংবানবা নাওরেম্না অহানবা পোজিসন, এল পি জিম শিংজমৈগী এ লাঙম্বনা অনীশুবা অমদি এস বি বি এফকী কৃষ্ণকান্তনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

চহী ৪০ দগী ৫০ ফাওবগী মাষ্টরগী কাঙলুপ্তা শঙাই জিম খাগেম্পল্লিগী এম অমরনা অহানবা, চহী ৫০ দগী ৬০ ফাওবগী কাঙলুপ্তা সুপর জিমগী অখাম প্রেমচান্দনা অহানবা, চহী ৬০ মথক্কী কাঙলুপ্তা এক্স ফিটনেসকী এল মোধুনা অহানবা পোজিসন তাখি।

# দেভিদ এলেভেন্না আই এ এস মায়থীবা পীদুনা সী এম সী এ ত্রোফিগী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ ঃ

থোংজু চিংগোংলৈ মখোং দিভলপমেন্ট ক্লব থোংজু পার্ট টু পেচু লম্পাক্না শিন্দুনা চথরকখিবা মঙাশুবা সী এম সী এ ত্রোফি টেনিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৬ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা দেভিদ এলেভেন তাকয়েলনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা দেভিদ এলেভেন তাকয়েলনা আই এ এস থাংমৈবন্দ রন ৭৮ দা মায়থীবা পীদুনা ত্রোফি অসিগী মপু ওইবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রবা দেভিদ এলেভেন তাকয়েলনা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ২০ গী শেলগী মনা ফংখি। রন্নর্স-অপ তাহৌরবা আই এ এস থাংমৈবন্দনা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ১২ গী শেলগী মনা ফংখি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা দেভিদ এলেভেন তাকয়েলনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৭ আউট ওইরগা রন ১৩৩ লৌখি। দেভিদ এলেভেনগী বেটচমেন রাহুলনা রন ৫৩, খান্না রন ২২, সুনিল বোসনা রন ১৮ লৌখি। অহানবা ফিল্ডিং তৌখিবা আই এ এস থাংমৈবন্দগী বোল্লর নিকিনা ৱিকেট ৪ অদুগা কিষন্না ৱিকেট ২ লৌখি।

দেভিদ এলেভেন্না থম্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীবা ঙমদনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা আই এ এসনা শুপ্নগী ওভর ১৫ খক মায়োক্ন খিবদা রন ৫৫ খক লৌরগা ওল আউট ওইদুনা দেভিদ এলেভেনগী মখূৎতা রন ৭৮ তা মায়থীখি।

# থাও মিনি ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ ঃ থাংমৈবন্দ এথলেটিক য়ুনিয়ন (থাও) না শিন্দুনা ৩০ শুবা থাও ষ্টেট লেভেল অন্দর-১৪ মিনি ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমদি ২৬ শুবা থাও ষ্টেট লেভেল অন্দর-১৭ সব জুনিয়র ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ দিসেম্বর ১১ দগী থাংমৈবন্দদা লৈবা থাও গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি হায়না টুর্নামেন্ট অসিগী কনভেনর আর কে জয়চন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

মিনি অমসুং সব জুনিয়র ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা টিমশিংনা থাংমৈবন্দদা লৈবা থাওগী ওফিসতা অয়ূক পুং ১০ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবগী মনুংদা লাক্লুনা ফোর্ম লৌরবা য়াগনি। ফোর্মগী মমলনা লুপা ৫০ নি। মখা তাবা টুর্নামেন্ট অসিগী অকুপ্পা মরোল থাওগী ওফিসতগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

















Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com